# কুমজা ২০১৬/১৭তগী হৌরকখিবা হিরো আই দল্লীয়ু লীগকী অহানবা এদিসনদা ঐহাক ইষ্টর্নদা য়াওজরকখি, মদুদা ৱিন্নরসু ওইরকখি



ইরোম প্রমেশ্বরী
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

ফুটবোল্লর অমা ওইনা অচুম্বা গাইদ লাইন অমা ফংজবা ঙম্লকখিবসি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা শান্নজরকপদগীনি। ইষ্টর্ন ক্লবকী অহল-লমন অমদি ওফিসিয়েল পুম্নমক্না ঐখোয়বু ফজনা শেন্বীরকখি। ক্লবসিনা ফুল সপোর্ট পীবিরকপনা ঐখোয়না ঙসিগী থাক অসি য়ৌবা ঙমজরকপনি। ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা 'হিরো আই দল্লীয়ু লীগ'কী মতাংদসু নুংঙাইবা ৱাফম খরা ঐহাক ফোঙদোকচনিংই।

হিরো আই দল্লীয়ু লীগ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা নুপী ফুটবোল চাওখৎনবা অখন্নবা পান্দম অমগী মখাদা কুমজা ২০১৬-১৭তা অহানবা ওইনা ওর্গনাইজ তৌদুনা পাঙথোরকখিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্টসিদা ঐহাক ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মমিংদা শান্নবা য়াওজরকখি। অহানবা ওইনা হিরো আই দল্লীয়ু লীগ অসি দিল্লিদা তৌখি। ঐখোয়গা ওরিষাগা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা ঐখোয়না ২-০দা থোইরগা ৱিন্নর ট্রোফি পুরকখি। ইষ্টর্ন ক্লবকী ফর্স্ত ইলবেন টিমদা শান্নখিবা প্লেয়রশিংদি, পান্থোইবী (জর্সি নম্বর ১), কমলা (জর্সি নম্বর ৯), ঐ ইশামক প্রমেশ্বরী (জর্সি নম্বর ১০), চেচে ও বেমবেম (জর্সি নম্বর ৬), স্বেতি, রাধারানী (জর্সি নম্বর ২), মন্দাকিনি (জর্সি নম্বর ৮), প্রেমি (জর্সি নম্বর ৭), কাসমিনা (জর্সি নম্বর ১১), উমাপতি (জর্সি নম্বর ৫) অমসুং থাহেনবী (জর্সি নম্বর ২৩)নি। মতমদুদা ঐখোয় টিমগী কোচ কম প্লেয়র অদুগা কেপ্টেন ওইবীখিবসি চে বেমবেমনি। এসিস্টেন্ট কোচনা ওজা অপাও কিপগেননা ওইখি। আই দল্লীয়ু লীগকী অহানবা এদিসন অদুগী ফাইনেলদা চনখিবা গোল অনীদু ঐহাক্না অমা, কমলানা অমনি। চহীদুদা ঐখোয়না ৱিন্নর লৌরকপদা নত্তনা ঐখোয় ইষ্টর্ন টিমগী প্লেয়র উমাপতিনা মোষ্ট ভেল্যুএবল প্লেয়রগী মীংথোলসু ফংলকখি। মদুগুম্বা মশক নাইবা টুর্নামেন্ট অমদা ঐহাক্না ইষ্টর্ন ক্লবকীদমক গোল অমা চন্দুনা টিমদুবু মায়পাকহনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌজখিবদুসু পুক্নিংদা য়াম্না পেনজখি। ফুটবোল করিনো?

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

করম্না শান্নগনি হায়বা করিসু খঙদনা পামজবদগী ইষ্টর্নদা লাকচখিবা ঐনা ঙসিদি করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্লে খল্লুবদা তশেংনা নুংঙাইজখি।



হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা এদিসনদি শিল্লোংদা (কুমজা ২০১৭-১৮)দা পাঙথোকখি। মদুদদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগা ওরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্দস ক্লবকা শান্নখি। মদুদা রন্নরসঅপ তারকখি। অদুবু টুর্নামেন্টতুগী ওইনদি ঐহাক্না মোষ্ট ভেল্যুএবল প্লেয়রগী মীংথোল ফংজরকখি। অদুগা পান্থোইনা বেষ্ট গোল কিপ্পর তারকখি। মসিগী মখা তারকপা অহুমশুবা এদিসনদদি ঐহাক মণিপুর পুলিস টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। মদুদদি রন্নর্সঅপ তারকখি। ফাইনেলদা সেথু (মদুরাই)গা থেংনখি। মখোয়না ৩-১দা কাখি।



অদুগা হন্দক্তা বেঙ্গলুরুদা লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা মরিশুবা এদিসনসিদদি ঐহাক গোকুলম কেরলা এফ সীদা য়াওদুনা শান্নজখি। পুন্না টিম ১২না গ্রুপ অনী খাইদোক্তুনা কম্পিটিসন তৌনখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা মণিপুরগী ক্রিপসা এফ সীগা গোকুলম কেরলা এফ সীগা অকনবা লম্বা তৌনখি। লোয়নবা ঐখোয়না য়াওজরিবা গোকুলম কেরলানা ক্রিপসাবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। হেন্না নুংঙাইবা ৱাফম অমদি গোকুলম টিমদা মণিপুরদগী ঐখোয় মাপল য়াওখিবা অদুনি। প্লেয়রশিংদুদি কমলা, উমাপতি, কাসমিনা, বিনা, দয়া, লক্ষ্মী, সরিতা, সুনিতা অমদি ঐহাক্নি। তশেংনা হায়জরগদি মদু মণিপুর ভর্সেস মণিপুর শান্নবগুম্বনি। গোকুলম টিমদা য়াওখিবা অতৈ ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং দি দিল্লি মচা অমা, গোৱাদগী অমা, মিজোরামদগী অমা, ওরিষাদগী অমা, নেপালদগী অমা, হরিয়ানাদগী অমনি। হন্দক্কী আই দল্লীয়ু লীগকী ফাইনেল মেচতা ঐহাক্না হেক হৌবগী সেকেন্দ ২৬ চৎলকপা মতমদা অহানবা গোল চনবা ঙমজখি। অনীশুবা গোলনা কমলানা চনখি। লোয়নবা গোকুলম টিম্বু ৱিন্নর ওইহনখিবা গোলনা সবিত্রা ভন্দারিনা মেচ মতম লোইগদবা শুপ্নগী মিনট অহুমখক্তা ঙাইরবা মতমদা চনবা ঙমখি। অসুম্না গোকুলম কেরলানা মণিপুরগী ক্রিপসাবু ৩-২দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। ...মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিকচাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা ইন্দিয়া পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীবা নংখ্রে



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা প্রো হোক্কি লীগকী ৩শুবা রাউন্দগী ৫শুবা মেচতা য়ুম্বু ইন্দিয়া দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা কার্টর ৩দা ইন্দিয়াবু হিরম খুদিংমক্তা খুদুম চনবা ঙমখি। ৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী দিলন ৰুদর্সপুনগী ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা একাউন্ট হাংদোকখি। ২শুবা কার্টরদা তোম ৱিখমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ২শুবা পাঞ্জল চনখি।

২শুবা হাফকী ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রাজ কুমার পালনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেং পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। অদুবু কার্টর অদুমক্তদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লাস্লান সার্প অমদি জেকোব এন্দরসননা ফিল্ড গোল অমমম চন্দুনা ৪-১দা লৈখি। অরোইবা কার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়নবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্স লাইন তকখাইরকপদা ইন্দিয়াগী রাজ কুমার পাল অমসুং ৰুপিন্দর পালনা পাঞ্জল অমমম চনখ্রবসু মায়থীবদগী কনবদি ঙমখিদ্রে। হয়েং লৈবাক অনীনা তরুকশুবা মেচ শান্নরগনি।

# পুনম যাদবকী ফজবা বোল্লিংনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াবু অহৌবা মেচতা রন ১৭তা থোইখ্রে



সিদনি, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): লৈবাক ১০না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী সিদনিগী সো গ্রাউন্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখিবা ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'এ'গী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী স্পিনর পুনম যাদবকী ফজবা পর্ফোমেন্সনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ১৭তা থোইখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন মেগ লানিংনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৩২ খক লৌদুনা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা ওইহনবা ঙমখিদে।

ওপনর সফালি বর্ম্মাগী বোল ১৫দা রন ২৯ লৌখিবা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না মরু ওইবা স্কোর অমা ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈখি। ওপনর মন্ধনা রন ১০দা আউট ওইখিবদগী সফালিসু ইকান কান্নদনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৪৩দা আউট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন হরমনপ্রিত কোর অমদি জেমিমা রোদ্রিগেজগী পার্টনর্সিপ কুইখিদে। হরমনপ্রিত রন ২দা আউট ওইখিবদগী রন ৪৭তা ইন্দয়াগী ৱিকেট ৩ তুখিবনি। দিপতি শর্ম্মনা রোদ্রিগেজকা পারগা অপুনবা স্কোর ১০০ শুহনখি। মখা তাবা রন লৌদ্রিঙৈ জেমিমা রন ২৬তা আউট ওইখি। অরোইবা ওভর ৪দা দিপতি শর্ম্মা অমসুং বেদা কৃষ্ণমুর্ত্তিনা আউট ওইদনা মথং শীৎনা রন ৪৯ অমসুং ৯ লৌদুনা অপুনবা স্কোর অদু ১৩২ শুহনখি।

রন ১৩৩গী টার্গেট লৌনবা হোৎনরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী হৌরকপা ফজখি। ওপনর এলিসা হিলিনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু খুদুম চন্দুনা রন লৌনা শান্নবা ঙম্লকখি। মহাক্না শুপ্নগী বোল ৩৫দা সিক্স ১গা ফোর ৬ য়ৈদুনা রন ৫১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

৫শুবা শান্নরোয় এসলি গাদনরনা বোল ৩৬তা সিক্স ১গা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৪ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা টিম অদুগী বেটচৱিমেনশিং অদু পুনম যাদবকী স্পিন অমসুং সিখা পান্দেগী বোলদা ক্রিজদা রন ৭ লান্থোকপা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী অরোইবা ওভরদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১১৫ খক লৌরগা ইন্নিংস লোইখি। পুনম যাদবনা রন ১৯ পীরগা ৱিকেট ৪ অদুগা সিখা পান্দেনা রন ১৪ খক পীরগা ৱিকেট ৩ লৌখি। থা অসিগী ২৪দা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মেচ বংলাদেশকা শান্নগনি।

## মৈরাবা মায়থীহৌরে

মিলানো, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নম্বর ১ জুনিয়র শান্নরোয় অদুগা ৱর্ল্ডগীনা ৩শুবদা লৈরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং ইটালিয়ন জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবা মৈরাবা লুৱাংগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীবা ঙমখিদবদগী ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় মুহমদ সুলটান নুরহাবিবুগী মখুৎতা ১৭-২১, ৬-২১দা মায়থীহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী নুপী তরা সাহ অহানবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী নতালিয়া তোমকোভাবু ২১-১২, ২১-১৬তা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দ চঙখি।

## নেপোলিয়ন খল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১(ঐচএনএস): ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসন একাদেমি-হোক্কি ইন্দিয়া গোল কিপ্পর কোর্সতা শরুক য়ানবা খল্লকপনি। এন আই এস হোক্কি কোচ ওইরিবা চনমথাবম নেপোলিয়ন কোর্স অসিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

# চেন্নাইন এফ সীনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু ১-০দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌখ্রে

Match on 22 Feb. (Sat) 2020
BENGALURU Vs ATK



মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অমদা চেন্নাইন এফ সীনা য়ুম্বু মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা সেমিফাইনেল প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা চেন্নাইন এফ সী পোইন্ট ২৫ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফ সী মেচ ১৭তা পোইন্ট ২৬ ফংলগা চেন্নাইন এফ সীদগী পোইন্ট ১ হেন্দুনা লৈখি।

করিগুম্বা মুম্বাই সিটি এফ সীনা মায় পাকপা তারম্লবদি পোইন্ট ২৯ ফংলগা মখোয়না ৪শুবা পোজিসনদা লৈদুনা সেমিফাইনেল প্লে এফকী ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। অমরোমদা করিগুম্বা ঙসিগী মেচ অদু দ্রো চৎলম্বা তারবসু চেন্নাইন এফ সীনা পোইন্ট ২৬ ফংলগা মখোয়গী অরোইবা লীগ মেচ অমা শান্নবা ৱাৎলিবা মরম্না থাক ৱাংখৎপগী খুদোংচাবা অমদি লৈখি। অদুবু মুম্বাই সিটিনা শান্নখিবা মেচ অদু মখোয়গী অরোইবা লীগ মেচনি।

মেচ অদুদা টিম অনীমক মায় পাক্নবা লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী অহানবা হাফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৮৩শুবা মিনটতা চেন্নইন এফ সীগী এন ভালকিসনা পীবা বোল অমদা এল গোজা গোয়নন্না চন্দুনা মায় পাকখি।

# অজয় জয়ারাম সেমিফাইনেল চঙখ্রে, সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম্মা ক্বার্টরদা লৈহৌরে



বর্সেলোনা, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): য়ু এস দোল্লর ১৭০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বর্সেলোনা স্পেন মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম্মা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ঙসি ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী থোমাস রোজেলগা লম্বা তৌনখি। মদুদা জয়ারামনা কা হেন্না ৱাদনা ২১-১৪, ২১-১৫-দা মায় পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্না হয়েং সেমিফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবা থাইলেন্দগী কুনলাভুট বিতিদসার্নিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির বর্ম্মাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা গেম ৩ চঙনা থোইখি। অহানবা গেম সমির বর্ম্মানা ২১-১৭দা থোইরবা মতুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু বিতিদসার্ননা ২১-১৭, ২১-১২তা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং থাইলেন্দগী ৩শুবা সিদেদ বুসানন্দ ওংবানরুংফানগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনবদা ২০-২২, ১৯-২১দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অজয় জয়রাম খক্তমক লৈহৌরে।

# সাথিয়ান অমসুং সরত নুপাগী দবলসকী সেমিফাইনেল চঙখ্রে

বুদাপেষ্ট, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড টুরগী মনুং চনবা হঙ্গেরিয়ন ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং সরত কমাল সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা হঙ্গেরিগী অদা সুদি অমদি নন্দোর ইগসেকিরবু ১১-৮, ১১-৭, ১১-৮তা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। সরত কমালনা মিক্স দবসলকী কাংলুপ্তসু ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রনা পেয়র ওইরগা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পেত্রিসা সোলজা অমদি পেত্রিক ফ্রান্সিসকাগা লম্বা তৌনরগনি।


অমরোমদা, নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় মনিকা বত্রনা চাইনিজ টাইপৈগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৬ সেন জু য়ুবু ৯-১১, ৪-১১, ৭-১১, ১২-১০, ১১-৯, ১১-৭, ১৪-১২তা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ১১ হিরানো ম্যুগা থেংনরগনি।

গনসেখরন সাথিয়াননা ঙসি ইরানগী ৱর্ল্ড নম্বর ৬১ নোসাদ অলামিয়ানবু য়াম্না কোম্না ১১-৬, ১১-৬, ১১-৯, ১১-২দা মায় পাক্লগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৫ জপানগী হরিমোটো টোমোকাজুগা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৩০ গনসেখরা সাথিয়ান টুর্নামেন্ট অসি লোইরগা জপানগী ক্লবতা শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরি।

# মরিনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা সিলভর মেদল অমগা লোয়নবা ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংবা ঙমখ্রে





ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মরিনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলরশিংনা সিলভর মেদল অমগা লোয়নবা ব্রোঞ্জ ৩ ফংখ্রে।

রিও ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাকসি মালিকনা কিলোগ্রাম ৬৫গী কেটেগরিদা ঙসি ফাইনেল মেচ অদুদা জপানগী নাওমি রুইকেগা লম্বা তৌনখি। সাকসি মালিকনা ঙরাং সেমিফাইনেলদা উজবেকিস্তানগী নাব্রিনা ইসেনবায়েভাবু ৫-৪দা থোইরবা মতুং ঙসি ফাইনেল য়ৌরকপনি। পোইন্ট ১-২দা মায়থীদুনা সাকসি সিলভর মেদল ফংহৌখি।

কিলোগ্রাম ৫৩গীদা ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগত ঙসি পাঙথোকখিবা বাউটতা ভিয়েটনামগী থি লাই ক্যুগী মখুৎতা ০-১০দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ ফংখি। অমরোমদা অন্সু মালিক্না উজবেকিস্তানগী রেষ্টলর সেবারা ইসমুরাতোভাবু মায়থীবা পীরগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

কিলোগ্রাম ৭২গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গুসরনপ্রিত কোর মোঙ্গোলিয়াগী ইনখায়রগী মখুৎতা মায়থীবা নংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। হয়েং নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং শান্নরগনি।